মাস্ক, সেনিটাইজর লেপ্তুনা য়েন্থোক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : ঙসিসু ঈতিন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরগী মায়কৈদগী ২৪ রক শুবা ওইনা কন্টেনমেন্ট জোন ওইরিবা থৌবাল সামলতোংবা, নিঙোম্বম, ওক্রমশিংদা চত্তুনা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর পুনা ৮০০ মুক মতেং পাংদুনা য়েন্থোকখ্রে।

হন্দক নোংম-নিনিসিদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা কোরোনা পোজিটিভ ওইবা মীওই কয়া মশিং হেনগৎলকপসিদা খরদং মতেং ওইনবা মতেং পাংলুবনি। ঐখোয় পুন্নমক অকিবা থাদোক্তুনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীরিবা প্রোতোকোল ঙাক্লা চত্তুনা লান্থেংমিন্নরসি হায়না আই ক্যের সেন্টরগী মপু মাইবম ঈতিননা ফোঙদোরল্লি।

পনবা য়াবদি, আই ক্যের সেন্টর অসিনা হান্না মমাংদসু বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ পাঙথোক্লিবশিং য়াওনা লৈকাই কয়াদসু মাস্ক, সেনিটাইজর, আই গার্দ অমদি সনগ্লাস অনোক কয়াসু য়েন্থোকখ্রবনি হায়রি।

চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দেভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)গী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লাক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর বিধান সাভাগী মীখলদা পার্টি অসিগী টিকেটতা ৩৩-হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱর্কর নিংথৌজম দিতেননা ঙসিসু মখা তানা হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা উখোংসাং মমাং লৈকাই খোইমোম লৈকাইগী কন্টেনমেন্ট এরিয়াদা চান-থক্নবা চেঙ, হৱাই, থাউ, থুম, য়েরুম, অলুনচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী পেন্দেমিক অসিগী ৱানরবা মতম অসিদা কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা মমাংদসু এন দিতেননা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী অসি থারগা এ সী অসিগী মীয়ামদা চান-থক্নবা য়েন্থোকপা ৬লক শুখ্রে। মমাংদা হৈরোক পার্ট ১, হৈতুপোকপী, হৈরোক পাট-২ মনিং লৈকাইগী কন্টেনমেন্ট জোন অমদি হৈরোক পার্ট -২ ময়াই লৈকাই, কমায়াইনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়েন্থোকখ্রে অমসুং মখা তানসু য়েন্থোকখিগনি হায়রি।

কোভিদ ক্যের সেন্টরদা...

লামায় ১গী মখা... য়ৌখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা মীওই ৮৯ সু দিসচার্জ তৌখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইনা থেংনখ্রবা কেস ২৫২ অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১১,৬৪৯ শুরে। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ৯০৮১ য়ৌরে। ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৭৭.৯৫ ওইরি। অদুগা কেস ২৪৯৭ না হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২১৬৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৩১ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

GAS NEWS

LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK THANGA
Booking upto : 22/08/2020
Valid from : 18/08/2020
Stock : 210
Timing: 08:00am to 11:00am
Home Delivery Only.
Please Contact: 7628026040, 9378112903

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 07/08/2020
VALID FROM : 06/08/2020
STOCK : 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248
TIMING : 8.00AM TO 12.00NOON.

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto : 12/07/2020
Valid from : 11/07/2020
Stk. : 306
Timing : 6.00am to 9.00am
Home Delivery (Contact No. 6909963855/8119073029)

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 26/08/2020
VALID FROM : 21/08/2020
19kg AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964838 & 7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
CONTACT TIMING : 09.00 to 11.00 am

দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): চহী ১০গী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংগী মীফম সঙাইকোট সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে।

মীটিং অদু চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদবনা চ্যের লৌরগা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, তোঙান-তোঙানবা সেন্টরনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং মনুং চন্না জল জিবন মিসনগী টার্গেট মপূং ফানা পাঙথোক্ননবা পান্দম থমসি হায়খি। মদুদা নৎতনা অকক্নবা মফমশিংদা সোলর ষ্ট্রিট লাইট খিনবগী থবকশিং, কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং চুন্না পাঙথোকহনবা, ঈ-ওফিসকী পায়খৎকদবা থবকশিং থবক ওইনা পাঙথোকপা অমসুং অতোপ্পা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ফোরেষ্ট রাইটস এক্ট চৎনহনবগী মতাংদা কুপ্না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ অনলোককী মতুংদা স্কুল হাংনবা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিসু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা এস ও পিগী মতুংইন্না চৎনগদবনি। থবক থৌরমশিংদা মী য়াম্না পূনবগীসু তোঙানবা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না থবক চথুগদবনি। লোয়ননা পোৎ য়োল্লিবশিংনা শুংশোয় শোয়দনা ফেস মাস্ক উপ্পগী কাঙলোন অদুসু চৎনহন্নবা মীফম অদুদা খন্নখি।

মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং অমসুং সব-দিভিজনেল ওফিসরশিংদসু মাইনর ইরিগেসন, ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট, পি এম জে ভি কে, পি এম জি এস ৱাই, মাইনোরিটি এফ্যের্সনচিংবনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু মপূং ফানা য়েংশিনগদবনি হায়না খঙহনখি।

তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতা নৎতনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈ-ওফিস থবক ওইনা মপূং ফানা পাঙথোক্ল বগীদমক নেটৱর্ক কনেক্টিভিটিগী লৈরিবা খূদোংচাদবশিং অদুসু মশক খঙদোকখি।

ঙসিগী মীফম অদু দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং মশীং য়াম্না লাকপা মরম্না চাওনা মপূং ফাবা অমা ওইখি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা সঙাইকোট সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরগী থংনবদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা পায়খৎলিবা এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং অদুসু দেপ্যুটি কম্মিস্নর পবন য়াদব অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিং অদুনা পূন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনমিন্নখি।

মফমশিং অদুদা খুঞ্জাশিংগা উনদুনা লায়রবা অমদি অৱাবা তারবা লুখ্রাশিংগা উনদুনা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেলগী মতেং ফংননবা এপ্লাই তৌরক্লবসু খঙহনখি।

পনবা য়াই, সঙাইকোট সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টর অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ২০ চৎলগা লৈবা চুড়াচান্দপুর-সুগ্নু রোদ পরিংদা লৈবা মফমনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম ফগৎত্রিবা ফাওবা শেল খোমগৎপিগনু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩ (ঐচ এন এস): মাইক্রো ফাইনান্সতগী শেল পুরুবগী চয়োলগী ওইনা শেল খোমগৎপা লাকপা অমদি মরুপ-মপাং তৌবনচিংবা খুদিংমক পেনে দমিক ওইবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবদি শেল খোমগৎপগী থবক তৌবিখিনু হায়না ৱাবগাই কৈরক লৈরক অচৌবদা লৈবা সোসল ৱারকর্স ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেল এম সোমেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, নোংমগী কৈথেল কাবা, মনা-মশিং য়োনবা, ললোনবা চৎপা লাইচৎ অসি লৈবনা মপুং ফানা থবক তৌবা য়াদবনা শেন্থোক লন্বী লৈতবদগী ইমুং-মনুংদা চরাংনবা থোক্তুনা কোভিদ-১৯দগীবু হিংহৌরবদি হায়দুনা লৈনরিবা মতম অসিদা লৈকায় অসিদা হায়রিবা শেনখায়শিং অসি মতম খরগী ওইনা তৌবিদনবা হায়জরি। করিগুম্বা ৱাফম অসিদা য়াবিদদুনা চংবিরক্লবদি মদুগী অফ-ফত্তগী তেকচাক ইশানা পুবিগদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পিষ্টল অনীগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ তা ইম্ফালদগী জিরিবাম তম্না থৌরকপা অমুবা মচুগী মহিন্দ্র স্কোরপিও (এম এন ০৬ এল বি/০৯৭২) অমা জিরিবাম এন্টি দ্রক সেলগী টিম অমনা লৈঙাংপোকপীগী লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অনী নোংমৈগা কোন্ননা ফারে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা জিরিবাম এন্টি দ্রগ সেলগী টিমনা লৈঙাংপোকপীদগী নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হঙ্গুল ঙাখাপাৎতগী মহমদ খোমৈ (৩০) অপোকপা মহমদ ইবোয়াই অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ইঙ্খোলদগী মহমদ শুমশুর (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা মহমদ এমিজুরনি।

মখোয় অনীদগী অমুবা খাউ অমদা হাপ্তুনা পুরকপা নাইন এম এমগী পিষ্টল ১, এম ২০গী পিষ্টল লোয়ননা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭৪ গা কোন্ননা ফংলে। নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

প্রদক্সন উৎলগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : শ্রীশ্রী গোবিন্দজী নট সঙ্কত্তর্ন ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দনা শীন্দুনা 'ৱর্কশোপ কম প্রদক্সন ওন বহুরুপ দান্স দ্রামা' হায়না মিংথোনবা অসি হয়েং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী হোলদা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ৱর্কশোপ অসিগী প্রদক্সন পুথোক্লগনি হায়না শ্রীশ্রী গোবিন্দজী নট সঙ্কত্তনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চকপ্রম নরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। থৌরম অদুদা জে এন এম দি এগী রিটায়র্দ প্রধান গুরু পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিল, জে এন এম দি এগী দিরেক্টর অমদি নেসনল এৱার্দী পি বিলাস অমসুং ষ্টেট এৱার্দী এম এস কে এ অমদি জে এন এম দি এগী প্রধান গুরু আর কে নোবিননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি।

নুংশিবা লৈনম মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): লৈখিদ্রবা শগোলশেম ইন্দ্রমনিগী পুন্সি অমসুং থবক্তা যুম্ফম ওইরগা অইবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা ইদিট তৌদুনা পুথোকপা *নুংশিবা লৈনম* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি ফোঙখ্রে।

খোয়াথোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা চীফ গেষ্ট, এফ পি এস জে রিভিয়ু ওফ আর্টস এন্দ পোলিটিক্সকী এগজিক্যুটিভ এদিটর আর কে বোবিচানা প্রসিদেন্ট অমসুং শক্লাইরবা অইবা মাখোনমনি মোংসাবনা বুক রিভ্যুৱর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, লৈখিদ্রবা শগোলশেম ইন্দ্রমনি অসি তুংগী অশানবা মীৎয়েং য়েংবা ঙম্বা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু মতিক চাবা মীশক অমমম ওইহন্ননবা অমদি লৈবাক্কী য়াইফননবা পাউতাক কয়া পীরম্বা মীশক অমনি। মহাক শক্লাইরবা অইবা অমসুনি। ঙসি মহাক্কী পুন্সি অমসুং থবক্তা যুম্ফম ওইরগা লাইরিক অমা পুথোকপা অসিনা তুংগী মীরোলদা মতেং কয়া ওইরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা শক্লাইরবা অইবা মাখোনমনি মোংসাবনা লাইরিক অসিগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

লুপা ২৬,২৮,৭০০...

লামায় ১গী মখা... মহাক হান্নসু পোরোম্পাৎ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৭০ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৪০৯/৪১৭/৪২০/৪২৪ /৩৪ আই পি সীগা মরী লৈননা ফারুরবনি হায়রি। পনবা য়াবদি সিটি পি এসকী কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টনা এম/এস রাইটর বিজিনেস সর্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদকী ষ্টাফ জন্মজয় চক্রবোটি (৪১), অপোকপা জোজানন্দ চক্রবোটি, খুংখুর (সিলচর) অসামদগীনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ভিদিও...

লামায় ১গী মখা... মফমশিংদা লৈঙাক অসিনা চাউখৎ-থৌরাংগা মরী লৈননা শেমগৎ-শাগৎলিবশিং অমদি পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং কয়া য়াম্না খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লবগে হায়বগী রিপোর্ট অমা ফোটোগা কোন্ননা পীরক্লনবা দি সীদা খঙহনখ্রে। লমখৈগী চয়েৎনবা লৈরিবা তুংজোইদা পুলিস ষ্টেসন অমা নৎত্রগা আই আর বি বট্টালিয়ন অমা থম্ননবা হোৎনগনি। মসিগীদমক মফমদুগী মীয়ামগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগা উনদুনা করি তৌবগে য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগদবনি। মফম অসিদা মিনিষ্ট্রিএল টিম অমা চৎতুনা য়েংশিনখিবা মতমদা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্নবা লৈঙাক অসিনা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখো, মণিপুরগী দি জি পি এল এম খৌতে, এ দি জি পি (এল ও) এ কে সিনহা অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

গ্রোসরি দুকানগী মমাংদা বোম ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না মীপাইন্দুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বাশিখোং ৱাংখৈ লৌমানবীদা লৈবা গ্রোসরি দুকান অমগী মমাংদা চিনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্বদগী মীয়াম্না মীপাইনখ্রে।

বোম থল্লল্লিবা দুকান অদুগী মপুনা লাইরেলাকপম কান্তা (৫১) অপোকপা এল সনাতোম্বা কৌই। মহাক বাশিখোং ৱাংখৈ লৌমানবীদা লৈবনি। দুকান অদু মাগী যুমগী কোন্থোং মনাক্তা লৈবনি। মফম অদুদা হেন্দগ্রেনেদ অমা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইরিলবুং পুলিস অমদি মণিপুর পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কাংবু অমা লাক্লগা নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌখৎলবা মতুংদা মনাক নকপদা লৈবা লৌবুক লমহাংদা পোকখায়হন্দুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

নেসনল হায়ৱেগী নাকলদা লৈরিবা...

লামায় ১গী মখা... কেম্প মনাক্তা চীংলোম থংবা নাকলগী নালাদা য়ুংশিনবদগী বস অদু থৌবা য়াদ্রে। এম এস টিগী বস অদুদা তোংদুনা লাকপা পেসেঞ্জর সোমেন্দ্রো কৌবা অমনা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মহাক্না জিরিবামদগী অয়ুক্তা ৱেক ফাষ্টকী অচাপোৎ খরা চারগা ইম্ফালদা এম এস টিগী বস অসি তোংলগা মমান্নবা খরগা লাকপদা জিরিবাম টু বরাক্কী মরক্তা হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অসি খম থেংনা শোক্লে। পেসেঞ্জরশিং বস তোংবদা ৱাখল নে-তানা তোংবা ঙমদরে। লম্বী য়াই অমদি মতায়দা লৈরিবা কোমশিং অদু থৈরগা চৎনবা হোৎনবদা গাড়ী দ্রাইভরশিং অৱাবা ওইরি।

লম্বী অসিদা লৈরিবা মরুওইবা থোং বরাক, মক্রু অমদি ইরং থোংগী ফীভমসু য়াম্না ফৎতনা লৈহৌরি। থোংগী গাড়ী চাকা লিক্লমদা থারিবা উশিং অয়াম্বা কায়দুনা মফোন থোক্লে। থোংগী উপাক মখাদা থারিবা য়োৎশিং তৎপা য়াওবদগী পেসেঞ্জরশিং গাড়ীদগী কুমথরগা বস অদু হাংনা চৎলগা থোং লান্থোক্লি। ইরং থোংদি য়োৎ অমদি উপাক তৎপা য়াওবদগী ঙসি অয়ুক্তগী থোংগী শরুক খরা উপাক লৌথোক্লগা অতৎপা য়োৎশিং নৌনা অমুক শমদুনা এন ঐচ আই দি সী এলগী কাঙবুনা কন্না শেমহৌরি। লাইট ভেহিকলশিংদি উপাক চিংশিল্লগা অথুবগী ওইনা লান্দুনা চৎলি। অদুবু পোৎচৈ পুবা ট্রকশিংদি ইরং থোং অদু মপুং ফানা শেন্বা লোইদ্রিবনা লানবা য়াদদুনা লম্বীগী নাকলদা গাড়ী পরেং খামদুনা লৈহৌরি। পেসেঞ্জরশিং নুংবা অমদি নোনে কৈথেলনচিংবদা চাক চানবা অমদি চা থক্নবা কুম্নবদা হোটেলশিং অমত্তা হাংদবনা চরা হেন্দুনা চৎনরে হায়রি।

পেসেঞ্জরশিং লমখাংদগী বিস্কুইট অমদি লফোইনচিংবা লৈরগা চানরি। পেসেঞ্জরশিংনা পাম্বদি লৈঙাক্কী এস ও পি নীংথিনা ঙাকপীরগা হোটেলশিং হাংবীরগদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অৱাবা অসি খরমখৈদি শাফগনি। লম্বী অসিগী বরাক থোংদগী কোটলেন ফাওবগী লম্বী অসিসু হান্নদগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লে। লম্বীগী নাকলদা পোৎ পুবা ট্রক অনী/অহুম পুৎথদুনা লৈবা নুমীৎ নীনি/হুম্নী শুরবসু ঙসি ফাওবা চিংখৎপা ঙমদনা লৈহৌরি। লাইবক থীবদি ঙসি জিরিবামদগী ইম্ফালদা থোরকখিবা এম এস টিগী বস অদুসু কোটলেন য়ৌরকপদা গাড়ীগী ষ্টিয়ারিং ফেল ওইবদগী চীংলোম থংবা নালাদা বস অদু য়ুংশিনবদগী পেসেঞ্জর খরদি অশোক-অপন য়াওনখি। অদুবু কা হেন্না অরুবদি ওইখিদে হায়রি।

অতোপ্পা পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসি য়াম্না ফৎতবনা গাড়ী অহনবা অমা সর্ভিস তৌবদা নুমীৎ মঙানি শুরকপদা গাড়ী অদু শেমদবা য়াররোই। লম্বী অসি লৈঙাক্লা খরা হেন্না লুম্না মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। লম্বী-থোংগী ফীভম হান্না ফগৎহন্দনা মণিপুর চাউখৎলে হায়বা য়াররোই। ঙসি অয়ুক পুং ৬.১২ রোম তাবদগী জিরিবামদগী ইম্ফাল থোরকপদা নুংথিল পুং ৪ তারবা ফাওবা য়ৌবা ঙমদ্রি হায়না পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা, নেসনল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা লৈরিবা মাও কৈথেল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লম্বীগী নাকলদা হান্না হাংলম্বা হোটেলশিং হাংদবনা পেসেঞ্জরশিং লম্বী অসিদা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা রুলগী...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগীদমক রিটন টেষ্ট অমসুং কম্প্যুটর টেষ্টতা শরুক য়াবগী ইলিজিবল ওইরেসু হায়খি।

হায়রিবা খোঙথাং অসিমক সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিদা চৎনদুনা লাকপা থৌওংশিংগী মায়োক্তনি হায়রি। মরমদি পোষ্ট অসিগী মীওই ৯ লৌনবগীদমক এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবা নুমীৎতগী চহী ৫গী মতুংদা মসিগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস লৌখৎলকপা অসি তৌনদে হায়রি। মহৈকোল অসি য়াওনা চৎনরকপা সেন্ট্রলগী প্রোসেসতদি করিগুম্বা রিক্রুটমেন্ট অমগী এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবদগী পারগা মসিগী রিটন টেষ্ট অমদি ইন্টরভিয়্যুনচিংবশিংগী প্রোসেস পুন্নমক শাংলবদা থা ৬কী মনুংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা ঙাক্তনি হায়রি। অদুবু এদভর্টিজমেন্ট থোকখ্রবা মতুং চহী ৫গী মনুংদা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস লৌখৎলকপনা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লায় তৌজগদবা ফ্রেশ কেন্দিদেটশিংগীদি খুদোংচাবশিং মাঙহনবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা চহী ৫গী মতুংদা লৌখৎলক্লিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অসিনা প্রো: ঐচ নন্দকুমারনা মহৈকোল অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরবা মতমদনি। মহাক জন্যুৱারী ২৪, ২০১১ দগী ওগষ্ট ১৫, ২০১৬ ফাওবা ভি সী ওইরমখিবনি।

চহী ৫ রোম চোন্থরগা লৌখৎলকপা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস ওইরবসু পোষ্ট অসিগীদমক রিটন অমসুং কম্প্যুটর টেষ্টকী মতুংদগী অপূনবা কেন্দিদেট ২৪১ গী মনুংদগী কেন্দিদেট ৯৫ শোর্ট লিষ্ট তৌখি। অদুগা পোষ্ট অসিগী মীওই ৯ লৌনবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫গী ওর্দিনান্স ৬.১(২)গী মখাদা সেলেক্সন কম্মিটি ১ শেমখি। মসিগী চ্যেরমেননা স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ এনভাইরনমেন্টেল সাইন্সেসকী প্রো: এন দেবনা ওইখি। কম্মিটিসিনা ইন্টরভিয়ু পাঙথোক্লগা রেকমেন্দ তৌরকপগী মতুংইন্না মীওই ৯ খনখি। মখোয়দা মতমদুগী রেজিষ্ট্রার প্রো: এন লোকেন্দ্রনা ভি সীদগী এপ্রুভেল লৌরগা খল্লবশিংদা ওফর লেট্টর ওফ এপোইন্টমেন্টশিং পীখি। অদুবু খ্বাইদগী ঙক্লিবদি থেংলবসু থেংনা এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবা মতুং চহী ৫ রোম চোন্থরগা পোষ্টশিং অসিগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পাঙথোক্তুনা কৌখিবা মশিং শুনা হাপচিনবা পুল্লোই লোইশিনখ্রবা মতুংদা হায়রিবা জুনিয়র এসিষ্টেন্টকী পোষ্ট অসিমক্তদা এদভর্টিজমেন্ট শুংতৌ তৌদনা নারোন্দা মীওই ৭ হাপচিল্লগা ঙসি ফাওবদা উৎনা-ৱাইনা খুমদুনা থল্লক্লম্বনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা দোক্যুমেন্টশিংনা হায়বদা থবক্কী মী লৌনবগী এদভর্টিজমেন্ট অসি এমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ (কম্পলসরি নোটিফিকেসন ওফ ভেকেন্সিজ) এক্ট, ১৯৫৯ নৎত্রগা দি ও পি টি ওফিস মেম্মরেন্দম নম্বর-১৪০২৪/২/৯৬ - ইষ্টাব্লিসমেন্ট (দি), তাং ৯/১১/২০০৫গী মতুংইন্না অহাংবা পোষ্টশিং মেনশিনবদা তঙাইফদনা এদভর্টিজমেন্ট তৌগদবনি হায়বা য়াওরি হায়রি। অদুগা নারোন্দা ইরিগ্যুলর এপোইন্টমেন্ট পীরমখিবশিং অসিগী 'ওফর লেট্টরস ওফ এপোইন্টমেন্ট'না মতমদুগী এম যুগী রেজিষ্ট্রার (ইন-চার্জ) প্রো: দব্লিয়ু বিশ্বানাঠনা মতমদুদা ভি সী ওইখিবা প্রো: ঐচ নন্দকুমারগা লৌতুনরগা পীথোক্লমখিবনি হায়রি। জুনিয়র এসিষ্টেন্টকী অহেনবা পোষ্ট ৭ হাপচিল্লম্বা অসি ইরিগ্যুলর এপোইন্টমেন্ট ওইবনা মরম ওইরদুনা মহৈকোল অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা এগজিক্যুটিভ বোদি ওইরিবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল (ঈ সী)দগী এপ্রুভেলসু লৌরমখিদে হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিনা অরোইবদা হায়বদা ইরিগ্যুলর এপোইন্টমেন্টতা হাপচিল্লগা লোৎশিন্দুনা থল্লক্লিবা মীওই তরেৎসগী মনুংদা মীওই অনীদি মশা লৈখিদ্রে। অদুবু মীওই ৫ দি হৌজিক মহৈকোলসিদা থবক তৌরি হায়রি। লৈখিদ্রবা অমসুং হৌজিক থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মমিং-মথাদি ফোঙদোকচদ্রে।

এ আরনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): ১৫১রকশুবা গান্ধী জয়ন্তিগী থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গং অমা ওইরিবা খোংতালদা অসাম রাইফলসনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টপু শৌগৎলদুনা 'রন ফোর পীছ' পাঙথোকখ্রে।

চহী অসিগী ওগষ্ট ১৫দগী হৌখিবা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন অদুগী মখা চথুরকপা ওইনা অসাম রাইফলসনা খোংতাল খুঙ্গংগী মীওই কয়া য়াওনা কিলোমিটর ৩ শাংবা পীছ রন অমা পাঙথোক্তুনা মফম অদুদা ঈং-তপ্পা, ঈরাং লৈতনবা পাউজেলসু পীখি।

রন ফোর পীছ ইভেন্ট অদুদা খুঙ্গং অদুগী নুপী য়াওনা চহী কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি। অসিগুম্বা থৌরম অসি ম্যানম্মারগা তায়নবা খুঙ্গং অমা ওইরিবা খোংতালদা পাঙথোকপা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। নোং-চীংগী ফীভম কা হেন্না ফবা ওইদ্রবসু শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুগী থৱায় য়াওবগী চাং য়াম্না ৱাংখি। রন অদুদা মপূং ফানা কিলোমিটর অহুম চেনবা ঙমখিবশিং অদুবু অসাম রাইফলসনা অচম্বা মনা পীদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা ৱারী শানবদা অসাম রাইফলসনা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নবগী থবক থৌরমশিংদা নৎতনা চাউখৎপগী থবক কয়া পায়খৎলিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

স্কাই হোস্পিটালদা মণিপুরগী অহানবা কার্দিয়ক ক্যের টেক্নিসিয়ন ট্রেনিং প্রোগ্রাম লৈখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হেল্থ ক্যের সেক্টর স্কিল কাউন্সিল (ঐচ এস এস সী)গী মখাদা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদনা অহানবা ওইনা থা অসিগী ১দগী কার্দিয়ক ক্যের টেক্নিসিয়ন ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

কোর্স অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রিকগ্নাইজ তৌবা কোর্স অমনি। মসিদা কার্দিয়ককী হীরমদা অনাবশিংবু মতেং পাংগদৌরিবা সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবগী পান্দম থল্লি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা থবক ফংবা য়াবগী খূদোংচাবসু হেনগৎহনগদৌরি।

মমাংদদি মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা স্পেসলাইজ ট্রেনিংশিং অসি ফংনবগীদমক্তা মপানগী ষ্টেটতা চৎনরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি অনকপা মফমদা লৈরবনিনা ট্রেনিং অসি ফংবা লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা থবক্কীদমক এপ্লাই তৌবা য়ারগনি।

স্কাই হোস্পিটাল এন্দ প্রোগ্রামগী চ্যেরমেন ওইরিবা ডা. শ্যামকিশোর লাইরিকয়েংবমনা কার্দিয়ক ক্যের টেক্নিসিয়ন ট্রেনিং প্রোগ্রামগীদমক লাকখিবা অহানবা বেটচকী মহৈরোয়শিং অদুবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটাল অসিদা লৈরিবা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং, টেক্নোলোজি অমসুং অৱাংবা থাক্কী লায়েংবগী কাঙলোনশিং অদু মহৈরোয়শিং অসিনা ট্রেনিং মনুংদা ফংবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈকোলগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): লৈমরোল খোর্জ্জেকোল (লৈকোল) ইম্ফালগী ২০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈমরোল খোর্জ্জেকোলগী লৈকোল চেফোঙগী ২০শুবা মশীং অমসুং মুতুম রমনিনা ইবা 'ইঙাগী নোংজু' অমদি 'মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমগা ৱারী মচাগী লাইরিক অমগসু ফোঙখি।

থৌরম অদুদা নোংমাইথেম কিরনকুমার, কনভিনর মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমিনা অথোইবা মীথুং ওইখি। প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমদি শমুরাইলাৎপম প্রহ্লাদ, প্রসিদেন্ট মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফাল অনীনা মথংশিংনা অখন্নবা মীথুং অমদি ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি, প্রসিদেন্ট লৈকোলনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি হায়না লৈমরোল খোর্জ্জেকোলগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি সুনন্দ থোকচোমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কুৱেটকী আমির ওইরম্বা সৈখ সবা অল অহমদ অল জবর অল সবানা মমাং থাগী ২৯দা লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিনসু হয়েং অৱাবা ফোঙদোক্কদৌরি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী ওফিস বিল্ডিংশিংদা হান্না মপূং ফানা চিংখৎতুনা লৈরিবা নেসনল ফ্লেগশিং অদু তংখায় চিংথদুনা ইকাই খুম্নবা উৎকদৌরি। নুমীৎ অসিদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মনুং চন্না ওফিসল ওইবা হরাও কুম্মৈগী থবক থৌরমশিং অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

লম্লক্কী শা-উচেক কনসি হায়রবদি লৈঙাক অমসুং...

লামায় ১গী মখা... ১৯৭২গী মখাদা অথিংবা কয়া লৈরবসু মীয়াম খঙদনা লোন্না-থুপ্না অদুমক ঙসিসু লম্লক্কী শা-উচেকশিং হাৎপিবগী থৌদোক কয়া থোক্তবা নত্তে। এক্ট অসিগী মখাদা শা-উচেক হাৎপা খক নত্তনা মখোয়গী লৈফমশিং-মকোন অমদি উচেক্কী মহুম মাংহন-তাকহনবা অমদি উচেক্কী মরুম লৌথোকপা অমদি থুগাইবিবা ফাওবা অথিংবা লৈ। এক্ট অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা মীওইশিংদা চৈরাক কয়া পীনবগী থৌরাংসু লৈ। অদুবু অথিংবশিং থুগায়রকপা মীওইশিংদা চৈরাক খক পীবনা লম্লক্কী শা-উচেক কন্নবা হোৎনবা মায়পাকপা ৱাগনি। লম্লক্কী শা-উচেক কন্নবগীদমক লৈবাক মীয়াম্না ৱাখল তামিন্নবা অমদি হীরম অসিগী মতাংদা এৱ্যার ওইমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনবনা মীওইবগী খুন্নাইদা কদাই ফাওবা কান্নবা লৈবগে অমদি মখোয়বু হাৎতোকপীবনা কদাই ফাওবা মাংজবা লৈবগে হায়বগী মতাংদা স্কুলগী সেলেভসতা হাপত্তুনা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বিবা মথৌ তাই। লোয়ননা ৱাইল্দলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট অসি মপুং ফানা মথৌ তৌনবা লৈঙাক্লা হোৎনবগীসু তঙাইফদবা লৈরে। লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্ননবগীদমক শা-উচেকশিংনা লৈরিবা মফমশিং য়াম্না চেকশিন্না ঙাক-শেনবা, মখোয়না চারিবা চিঞ্জাক মপুং ফানা ফংনবা হোৎনবিবা অমদি মখোয়দা নারকপা য়াবা লায়না-তিনাশিংদগী ঙাকথোক্নবা মতম-মতমগী ওইনা হোৎনবা চঙই। ৱাইল্দলাইফ সেঙ্কচুঅরিশিং য়োকখৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। অদুবু ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবা হায়রগদি কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক খক্তা য়েংশিনবিবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা নেসনল পার্ক অমদি ৱাইল্দলাইফ সেঙ্কচুঅরিশিং কয়া লৈরিবা অসি মপুং ফানা য়েংশিনবিবা হায়বদু ওইদ্রে। য়ামদ্রবদা য়েংশিনবিদনা লৈরিবা নেসনল পার্ক অমদি ৱাইল্দলাইফ সেঙ্কচুঅরিশিং অসি মপুং ফানা ঙাকপী শেনবিদুনা লম্লক্কী শা-উচেকশিংগী চাকতাফম শেম্বী শাবিরবদি অমদি মীয়াম্না লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোলদা মিসন অমগা লোয়ননা লৈঙাক্লা খুৎশম্নরগা চৎমিন্নদুনা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলবদি মাংথরক্লবা লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 3rd October, 2020

No. Ex/11/Vol-VII/1761 : It is hereby notified for information to all the Headmasters/Headmistresses/Principals of all High and Higher Secondary Schools recognized by the Board of Secondary Education, Manipur that Candidates who are desirous of appearing either in full or failed subjects in the HSLC Examination, 2021 should be registered according to his/her eligibility by paying a permission fee of Rs. 650/- (Rupees six hundred and fifty only) at the cash counter of the Board w.e.f. 05/10/2020. While collecting the prescribed application forms, a Xerox copy of the Admit Card of each student should be enclosed and submit the filled in application forms on or before 31-10-2020 positively.

Detailed information can be had from the office of the Board.

Sd/- **K. Tiken Singh**
Controller of Examination

HL-P/7659/4

GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE OF EDUCATION (S)

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 1st October, 2020

No. 5/9/1/19-DE(S) : It is hereby notified for general information to all concerned that the STATE LEVEL NATIONAL TALENT SEARCH EXAMINATION, 2020 (for the students studying in class-X Standard in any Government recognized schools), STATE TALENT SEARCH EXAMINATION, 2020 (for the students studying in class-IX standard in any Government recognized schools) and NATIONAL MEANS CUM MERIT SCHOLARSHIP EXAMINATION, 2020 (for the students studying in class- VIII standard reading in any Government/Government Aided Schools excluding Jawahar Novodaya Vidyalayas, Sainik Schools, Kendriya Vidyalayas and fully Government sponsored Residential Schools) will be conducted on Sunday, the 13th December, 2020 at various examination centres spread across 17 (seventeen) Educational Zones.

2. Application Forms & other relevant information of the above 3 (three) examinations can be had from the concerned Zonal Education Officers during the **second week of October, 2020 free of cost.** It can also be downloaded from the Departmental Website : www.manipureducation.gov.in

3. Last date of submission of Form(s) at the Zonal Office is 10th November, 2020 and submission of Forms to the Science Unit, Directorate of Education (S) by the respective Zonal Office is 15th November, 2020.

Sd/- **L. Nandakumar Singh**
Director of Education (S), Manipur

HL-B/6431/4